# ইনকম শরুক অনী হেনগৎনবা হোৎনবদা পূনশীন লৌউনা লৌরিবা থৌদাং



- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

পূনশীন লৌউ তৌরকপসি ঐখোয়গী লমদমসিদদি অনৌবা খূৎলায় অমদি নত্তে। মসি থায়না ইপা-ইপু মতমদগী হৌদুনা লাক্লি, য়ূম অমা লৈরগদি থক্ল-চানবা অমদি অতৈ কয়া অমা শীজিন্ননবা পূখ্রি অমা লৈ। মসিদা ঙা য়োক্লি, য়েন, ঙানু, ষণ-ইরোই কয়া অমা য়োক্তুনা মখোয়দগী পুথোরক্লিবা পোত্থোক কয়া অমা শীজিন্নৈ। মসিদসু নত্তনা য়ূমগী নাকন্দা এঞ্ছাং-নাপি কয়া থাবদা ষন্থি-ষণয়ুং কয়া অমা শীজিন্নদুনা হেন্না পোত্থোক পুথোকপা হেনগৎলক্লি।

ঙাগা শা-ষণ অমদি য়েন-ঙানুগা পূন্না লোয়মিন্নবগী সিষ্টমসি মখল য়াম্মী, খুদম ওইনা হায়রবদা-

ষণ-ইরোইগা - ঙাগা

ওককা-ঙাগা

য়েন-ঙানুগা-ঙাগা

হামেংগা-ঙাগা

থেবগা-ঙাগা

ঙানুগা-ফৌগা

**ঙানুগা ফৌগা পূনশীন লৌউ :** ফৌগা ঙানুগা য়োকমিন্নবনা ফৌগী পোত্থোক হেনগৎপদা



নত্তনা ঙানু য়োকপা মতমদসু মচীঞ্জাক ইচঙ চঙদনা ঙানু মরূম অমদি ঙানু মশা চাবগীসু হেন্না ফংবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঙানুগী মথীনা ফৌ পাম্বীনা চঙগদবা অয়াম্বা ন্যুত্রিএন্ট পীবা ঙমহল্লি। লৌ পরি অমদা ঙানু ২৫০-৩০০ ফাওবগা পূন্না য়োকমিন্নবা য়াই। ঙানুগা ফৌগা পূন্না থম্মীন্নবা মতমদদি পাম্ফেনদগী লীংবনা হেন্না ফৈ। পাম্ফেন তৌরগদি ঙানুনা চৎপা মতমদা ফৌ নেৎথৎপগী চাং য়াম্না ৱাংই। ঙানুশিং চত্থোক-চৎশিন্দা নুংঙাইহন্দে। ফৌ লীংবা মতমদসু ২০ সী এম X ২০ সী এমগী চাংদা লীংবনা হেন্না ফৈ। মসিনা ঙানুনা ফৌরক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবা মতমদা ফৌ নেৎশিনবগী চাং য়াম্না নেমহল্লি। ফৌ লীংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩০-৩৫ ফাওবগী মতুংদা ঙানু মচা থা ১ ফাবসি ফৌরক্তা থম্বীবা য়ারে অমদি ফৌনা লংচাক লাকপা মতমদা ঙানুশিংসি ফৌরক্তা চাবসি তোকহনবীরগা অতোপ্পা মফমদা থম্বীদুনা মখা তানা লোয়বীগনি।

ফৌগা ঙানুগা পূন্না লোয়মিন্নরগদি পান্দোং অমদা য়াওগদবা ফৌ মচাশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি। চরোং অমদা য়াওগদবা ফৌগী মশীংসু হেনগৎহল্লি, মসিদসু নত্তনা চাংচৎতা লুমগদবা ফৌগী অরূম্বগী চাং অমদি ফৌথোকসু হেনগৎহল্লি। ফৌরক্তা লৈবা লায়না তীলনা থোকহনবা ঙম্বা মখল কয়াগী তীলশিং ঙানুনা ফাদোক্তুনা তীল তাবগী চাং হন্থহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঙানুনা ফৌরক্তা চৎপদা ঈশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়হন্দুনা ফৌ পাম্বীদু শাহৌ ফনা হৌবা ঙমহল্লি। ঙানু মথীনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা নাইট্রোজেন, পোটাসিয়ম, ফোসফরস, কেলসিয়ম অমদি সলফরগী চাং ৱাংহনবা ঙমহল্লি। ঙানুনা ফৌরক্তা লৈরবনিনা অফং অফংবা মখল কয়াগী মচীঞ্জাক ফংবনা য়াম্না থুনা চাউহল্লি অমদি লৈবাকশিংদু হোম হোম লাওহল্লি অমদি চৎপা মতমদা ন্যুত্রিএন্ট ময়াম ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমহল্লি।

**ষণ/ইরোইগা ঙাগা য়োকমিন্নবা :** লৌ পরি অমগী ঙা য়োকপা মতমদা ষণ ৩-৪গী ষন্থি-



ষণয়ুংনা পূখ্রিদা লৈহাও লায়না চেলহনবা ঙমহল্লি। চহী অমদা মপূং মরৈ ফারবা ষণ অমনা ষন্থি কেজি ৪০০০-৫০০০ অমদি ষণয়ুং লিটর ৩৫০০-৪০০০ পুথোকই। ষন্থি ঈশিংদা থাদবা মতমদা মিনট অমদা সী এম ২-৬কী চাংদা লুপথৈ অদুগা ওকথীনা সী এম ৩-৪গী চাংদা লূপ্পী, পূখ্রিদা দাইরেক্ট থাদবীরোই হায়রগদি নোংমদা হেক্টর অমদা কেজি ৬০গী চাংদা থাদবীবা য়াই।

**ঙানু/য়েনগা ঙাগা য়োকমিন্নবা :** ঙায়োক পূখ্রি পরি অমদা ঙানুগী মশীংসি ২০০-৩০০ ফাওবা থম্বা য়াই। ঙানুগী মকোলসি ঈশিং মথক্তা নৎত্রগা পূখ্রি মনাক্তা নৎত্রগা পূখ্রিগা য়ূমগা নক্নরগদি য়ূমগী মনাক্তা থম্ববা য়াই। নোংমদা ঙানু অমনা গ্রাম ১২৫-১৫০ ফাওবা মথী ফাই। হায়রিবা মথী পুথোক্তুনা চহী চূপ্পা পূখ্রিগী হার ওইহনবা ঙম্মী। মকোন্দা ফাইরম্বা মথী অমদি অরেম্বা মচীঞ্জাক খুদিংমক পূখ্রিদা চাই চাইদুনা থাদবীগনি। করিগুম্বা পূখ্রি মনাক্তা শাবীগে হায়রগদি ঈশিং ঈমাইথক্তা ফুট ২ মুক ৱাংখৎনা শাবীগনি। ঙানু মথীনা হীংকুপশিংগী মশীং হেনগৎহনবদা নত্তনা লৈবাক লৈহাও ফগৎহল্লি। পূখ্রিদা ঙানু অমদি ঙাশিং মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঈশিংদা ঙানুনা মশা খপ্তুনা চৎপা অমদি মখোঙনা ঈরোইবনিনা পূখ্রিগী নুংশিৎ হোংদোক হোংজিন তৌবদা অচৌবা মতেং পাংই।

**ওককা ঙাগা য়োকমিন্নবা :** ঙায়োক পূখ্রি অমদা ওক ৩০-৪০ ফাওবা থম্বা য়াই। ওক্কোন শাবা মতমদা ওক অমা লৈনবা স্কৱার মিটর ১-১.৫ গী চাংদা শারগা থম্বীগনি। ওকথীদা চাদা ৭০গী মথক্তা ঙানা চাবা ঙম্বা মচীঞ্জাক য়াওই। মসিদসু নত্তনা নাইট্রোজেন, ফোসফরস য়াওবনা ঙাগী মচীঞ্জাক ওইরিবা ফাইটোপ্লাঙ্কটোন অমদি জুপ্লাঙ্কটোনগী মশীং হেনগৎহল্লি। মরম অসিনা অহেনবা ঙাগী মচীঞ্জাক হাপ্পগী মথৌ তাদে। মরম অসিনা ঙা চাউনবা য়োকপদা চঙগদবা শেনফমদু চাদা ৬০গী মথক্তা হন্থহল্লি। ওককী মথী ময়ুংশিংদি শেংদোকপা মতমদা ফজনা মকোন্দগী পূখ্রিরোমদা দাইরেক্ট পুথোকপীরগা থাদবা য়াই। মসি নৎত্রগসু কোম তৌরগা হায়ফেৎ কমপোষ্ট থাদবীবসু য়াই। ওক কেজি ৫০ লূম্বা অমনা নোংমদা মথী কেজি ২.৫ রোম পুথোকই অদুগা কেজি ৫০-৯০ রোম লূম্বনা নোংমদা কেজি ৫গী চাংদা পুথোকই। ওককী মথী ময়ুংদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাসিয়মগী কন্টেন্টসি ০.৬০% , ০.৫০% অমসুং ০.২০%নি। মরম অসিনা পূখ্রিদা অতোপ্পা হার হাপ্পগী মথৌ তাদে। করিগুম্বা ওকথীসি ঙায়োক পূখ্রিদা দাইরেক্ট থাদবীরোই হায়রগদি নোংমদা হেক্টর অমদা কেজি ৬০গী চাংদা থাদবীবা য়াই।

ঐখোয়না পূনশীন লৌউ হায়বদি এন্টরপ্রাইজ অমগা অমগা পূনশীন্দুনা লোয়বসিনা অমমম খক্তং লোয়বদগী হেন্না শেন্দোং লৈ। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবদা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌরি। মরম অসিনা হেন্না ইনকম লাক্লবা অসিগুম্বা পূনশীন লৌউ লোমদা মায় ওনশীল্লসি। ●

# ওর্গানিক ওইবা পোত্থোক পুথোকপদা চঙবা কাঙলোনশিং

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

খূৎশেমগী হার তীল হীদাক অমদি তোঙান তোঙানবা হীদাক লাংথক মখল কয়া শীজিন্নবনা লৌউ-শিংউগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপদা মতেং পাংজরবসু মসিনা মীওইবা অমদি অতোপ্পা লেংলি-পাল্লিবা পুন্নমক্তা পীরিবা চৈথেং অসি খঙনরকপদগী খূৎশেমগী হীদাক লাংথক য়াওদবা মওংদা পায়খৎপা লৌউ কাঙলোন ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসিদা মায় ওনশিন্নরক্লি। খূৎশেমগী হীদাক লাংথক হারনচিংবগী হূ চেনবা লেমহৌখাকশিং য়াওবা চীঞ্জাকশিং চাবদগী মীওইবদা থোকহল্লিবা লায়না-তীলনাশিং অসিদগী ঙাকথোক্তুনা পূন্সি নুংশাংনা হিংনবগীদমক মমল তাঙজরবসু ওর্গানিক ওইনা পুথোকপা পোৎলমশিং লৈবীগদবা মী নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা লৌউবগী শিনফমদা লৈবিরিবা মীওইশিংনা শেন্থোক হেন্না ফংনবা ইশাগী লৌফমগী লৈবাক লৈহাও ফনা থম্নবা অমদি ইশা ফনা লৈনবগীদমক ওর্গানিক ওইবা মওংদা পোত্থোক পুথোকপরোমদা মায় ওনশিনবা য়ারে। অসুম্না ওর্গানিক ওইনা চঙশিন্নবগীদমক তঙাইফদনা চঙবা খোঙথাংশিং মখাদা থমজরি।

**১) ওনবগী মতম :**- ওর্গানিক ওইবা মওংদা পোত্থোক পুথোকপা হৌরে হায়দুনা অহৌবা চহীদা পুথোক্লিবা পোৎলম অদু ওর্গানিকনি হায়বগী শকখঙচে পীদে। অসুম্না ওর্গানিক ওইবা মওংদা পোত্থোক পুথোকপা হৌবদগী ওর্গানিকনি হায়বগী শকখঙচে পীবা য়াবা ফাওবা মতম অসিবু কনভর্সেশন পেরিয়দ (ওনবগী মতম) হায়রগা খঙনৈ। অসুম্না ওর্গানিক ওইবা মওংদা পোত্থোক পুথোকপা হৌবদগী পুথোক্লিবা পোৎলম অসি ওর্গানিক ওইনা পুথোকপনি হায়বগী শকখঙচে পীবা য়াবগী মতম অসি চহী অহুম্নি।

**২) অনীমক্কী ওইদবা মরক্কী ঙমখৈ :**- ওর্গানিক ওইনা পায়খৎলিবা লৌফমগী অকোয়বদু ওর্গানিক ওইদ্রবদি অকক্লবা অমদি মফম খঙনা তোঙানবা লম খরা খাক্তুনা অনীমক ওইদবা মরক্কী ঙমখৈ ওইনা খাক্কনি। তৌবতদি অসিগুম্বা ঙমখৈগী শরুক অসিদা ওর্গানিক ওইবা মওংদা পায়খৎপা লৌউ কাঙলোনশিং শীজিন্নদুনা পোৎ থাবীগদবনি।

**৩) লায়না-তীলনা অমদি নাপীদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে :**- হূ চেনবা খূৎশেমগী ওইবা হীদাক-লাংথক অমত্তা লায়না-তীলনা অমদি নাপীনচিংবদগী ঙাকথোক্লবা শীজিন্নবা য়াদে। মদুগী মহুত্তা লায়না-তীলনা থোকহল্লিবা তীল কোকফাই শুজাশিংগী য়েক্লবা ওইবা অতোপ্পা জীবশিংনা লৈবদা নুংঙাইগদবা মফম ওইনবা শেমগৎকনি। শৈজ্রাক, নীমনচিংবা পাম্বীশিং থাবগা লোয়ননা শা-ষণ য়োক্কনি। মহৌশাগী ওইবা নত্তবা শেমদোক শাদোক্লবা পাম্বী অমদি তীল/জীব অমত্তা শীজিন্নবা য়াদে।

**৪) লৈবাক অমদি ঈশিং য়োকশিনবা :**- কুমগী নোংগী ঈশিংনা চেন্থখিদুনা লৈমায়গী লৈহাও লৈবা লৈবাকশিং মাঙখিগদবদগী ঙাকথোকপীগদবনি অমদি ঈশিং অদু মওং চুম্না লীনবা থৌরাংশিং পায়খৎপীগদবনি। পোৎ থারিবা লৈমায়গী শরুকশিং খুমজিন্দুনা থম্বীগদবনি। মীওইবনা শোক্ত্রিবা উমংগী শরুকশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বীগদবনি। য়ারিবমখৈ চরূনচিংবশিং মৈ থাদুনা লম শেংবগী থবক তৌবীরোইদবনি।

**৫) পোৎয়ান য়াওহন্দনবা হোৎনবা :**- ওর্গানিক ওইবা কাঙলোনশিং শীজিন্নদুনা থাজরবসু পুথোক্লিবা পোৎলম অদু অতোপ্পা থংনবা মফম নৎত্রগা ঐখোয়না চেকশিন্দবদগী ইশাগী লৌফমদগী পোৎয়ানশিং য়াওহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। ওর্গানিক ওইদবা লৌফমদা ওর্গানিক ওইবা লৌফমগা য়ামদ্রবদা মিটর ১০-১৫গী চাংদা লাপ্নহনবীদুনা মরক অদুদা ওর্গানিক ওইনা থারিবা পাম্বী অদুদগী শরুক অনীগুম্বা ৱাংবা পাম্বীশিং থাবীগদবনি। খুদম ওইনা ওর্গানিক ওইনা মোরোক থারে হায়না লৌবা মতমদা মোরোক থারিবদুগী অকোয়বদা কেগে নৎত্রগা চুচুরাংমৈসি থাবীগনি। মরক্তা থাবীরিবা পাম্বীশিং অসিসু ওর্গানিক ওইবা কাঙলোনশিং চপ চানা পায়খৎপীগনি অদুবু পোত্থোক অদুদি ওর্গানিক ওইবদি য়ারোই। ওর্গানিক ওন্নবগীদমক তৌরিবা লৌফম অদুদা শীজিন্নগদবা খূৎশু-খূৎলায়শিং হান্না অতোপ্পা ওর্গানিক ওইদবা মফমদা শীজিন্নরুবা ওইরবদি নিংথিনা চামথোকপীগনি।

চারা শেম্নবগীদমক তীল-কাঙদগী ঙাকথোক্লবগীদমক অদুগা গ্রীন হাউসকুম্বগী মথক কুপ্পবগীদমক পোলিথিন, শৌদোকহল্লগা লৌবা পোৎ শেন্বা য়াবা প্লাষ্টিক, মনুং মপাল ফাওনা উবা প্লাষ্টিক মখলশিং শীজিন্নবদি য়াই অদুবু পোৎলমশিং অসি লৌফমদুদা ফুমজিনবা অমদি মৈ থাবদি য়াদে। প্লাষ্টিক শীজিন্নবা য়াই হায়রবসু PVC (Poly Vinyl Chloride) Pipe কুম্বদি শীজিন্নবা য়াদে। পি ভি সী অসি মহৌশানা মতোমতা কায়থজবদা মতম য়াম্না চঙবনা মরম ওইদুনা অকোয়বগী লৈবাক্তা মোৎশিল্লি। অদুগা পোৎলম অসি শাবা অমদি শীজিন্নবা নৎত্রগা মৈ থাবনচিংবদা Dioxin, Furan, Hydrochloric Acid, Vinyl Chloride, Phosgene Lead, Cadmium, Copper, Nickel, Zinc নচিংবশিং থাদোকপগা লোয়ননা মাইক্রো প্লাষ্টিক হায়রগা খঙনবা জীবশিংগী হকচাং শোকনীংঙাই ওইবা পোৎলমশিং পি ভি সীনা কায়থরকপদা থাদোরকপনা মরম ওইদুনা পি ভি সী অসি ওর্গানিকতা শীজিন্নবা য়াদে।

**৬) লীনবা অমদি য়োন্নবা শেম শাবা :**- ওর্গানিক ওইবা পোত্থোকশিং নুংশা মঙালগী মতেংনা কংহন্দুনা, Freeze drying, অশাবা নুংশিৎ কামশিন্দুনা লীনবা হোৎনবা য়াই অদুবু খূৎশেমগী ওইবা চীঞ্জাক লীবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং হাপ্পা অমদি Irradian har হায়বদি gamma/X-ray নৎত্রগা electron beam গুম্বদা য়ৈহন্দুনা লীনবা থম্বদি য়াদে। পোৎলমশিং অদুবু য়োমগদবা মচাকশিং অদু অমুক নৌনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং ওইহনবা লোয়ন-লোয়ননা মনুংদা য়াওরিবদু করি পোৎনো হায়বগী অকুপ্পা ৱারোলশিং থাবীগদবনি। ওর্গানিক ওইবা পোৎলমশিং অমসুং ওর্গানিক ওইদবা পোৎলমশিং কৈদৌঙৈদা পূন্না লীবা অমদি পুথোক পুশিন তৌরোদবনি।

**৭) ইশিন্দুনা থম্বা :**- লৌফম অমা ওর্গানিক ওইবা মওংদা পোত্থোক পুথোকপনি হায়বগী শকখঙচে ফংনবগীদমক ঐখোয়না পায়খৎখিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং অদু মথং মনাও কায়দনা মতম্নচিংবা য়াওনা ইশিন্দুনা থমগনি।

**৮) থাগদবা মরূ-মরাং খনবা :**- ওর্গানিক ওইবা লৌফমদা থাগদবা মরূ অদু ওর্গানিক ওইনা পুথোকপা ওইবগা লোয়ননা লমদম অদুগা চান্নবা লায়না-তীলনাদগী খাঙবা ঙম্বা ওইগদবনি। জিনেটিকেল্লি মোদিফাইদ হায়বদি পাম্বী/জীবশিংবু শেমদোক শাদোক্লগা পুথোকপা ওইরবদি শীজিন্নবা য়াদে।

**৯) পাম্বীশিংদা মচীঞ্জাক পীবা :**- ষন্থি-ষণয়ুং, নাপীশিংবীনা পথ্ব-পুমথরগা ওইরকপা হার অহিংবা জীবশিং শীজিন্নদুনা পাম্বীশিংদা মচীঞ্জাক ফংহনবদা মতেং পাংবগী থৌওংশিং শীজিন্নবিরগা পাম্বীশিংবু মচীঞ্জাক পীগদবনি ●

# পুঙদোন (পুঙহৈতোন) পাম্বীদা তীল চেলহন্দবা

- লোংজম বোরিস -

পুঙদোন (পুঙহৈতোন) (Guava:*Psidium guajava L.*) হায়রিবা মখল অসি মীওইবদা কান্নবা মচল কয়া অমা য়াওবা অদুগুম্বা হৈ মখল অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা হেক্টর লিশীং ২০৪.৮ দা পুঙদোন থাই অদুগা পোত্থোক্কী চাংনা ২৪৬৩.৩ মিলিয়ন টন ওই হায়না পানরি। মহৌশানা পুঙহৈতোন হায়রিবা হৈ মখল অসিদা তীল কয়া অমা তারবসু মপূং ওইনা তাগনবা তীলশিংদি মশীং য়ামদে।

মরু ওইনা তাগনবা তীলশিংদি :-

• পাম্বী মরূ হুৎপা তীল *Aristobia testudo* (Coleoptera:Cerambycidae)

• Fruit fly – *Bactrocera dorsalis, Bactrocera cucurbutae , Bactrocera tau (Diptera: Tephritidae)*

• পাম্বী মরূ হুৎপা তীল – *Indarbela quadrinotata and I. tetraonis*

• মহী চূপ্পা তীলশিং – *Mealy scale (Chloropulvinaria psiidii(Hemiptea: coccidae)*

• Mealy bugs -Ferrisia vergata, Planococcus citri, P. lilacinus (Hemiptera.Pseudococcidae)

• Tea mosquito bugs *(Helopeltis antonii (Hemiptera : Miridae)*

বাইও-ইন্টেন্সিভ পেষ্ট মেনেজমেন্ট ইন **guava :**

Biointensive pest management হায়বা অসিদা অহিংবা জীবশিং (microbes, parasitoids, predators, botanical) শীজিন্নদুনা তীলশিং লাকশিনবা ঙম্মী।

**Cultural practice:**

• পুঙহৈতোন থাদ্রিঙৈ মতমদা লুনা খোইদোকপা, খোইদোকপীবা মতমদা পাম্বীগী মশা শোক্তনবা খোইবীবা।

• চারা খনবীবা মতমদা লায়না চেন্দবা পাম্বী খনবীবা।

• ঈশিং কা হেন্না চঙনা ঈশিং চাইবা তৌবীরোইদবনি। ফ্লদ অমদি চেনেল ইরিগেশন তৌবীরোইদবনি।

• পাম্বীদা মরূ অমদি মরা য়ারিবমখৈ অশোক অপন নংহনবীরোইদবনি।



Bactrocera dorsalis (fruit fly) (ICAR-NBAIR)



Bactrocera dorsalis (fruit fly) na pungdon da thokhanaba amang ata (ICAR-NBAIR)





Mau-u hutpa tin *Indararbella* sp. (mapung pharaba amadi tin ashina pambi da thokhanba amang ba ) (ICAR-NBAIR)

• নাইট্রোজেন কা হেন্না চঙহনবীরোইদবনি অমদি লৈবাক লৈহাওদা লৈবা nematode শিং লাকশিন্নবগীদমক neem cake@1 ton/ha চাংদা শীজিন্নবা য়াই।

• মসি থাবীবা অমদি অরিবা মশাশিং লৌথোকপনা mealy bug অমদি অতোপ্পা তীলনা-লায়না তাবা হন্থহল্লি।

• ককচেং ইলহন্দবনা mealy bugs তাবা চাউনা হন্থহনবা ঙম্মী।

• পাম্বীদা তীল মখুল লৈবা য়েংথোকপীবা অমদি তীল লৈবা থেংনরবদি তারা অমগী মতোন্দা লশিং হাপ্লগা কেরোসিন নৎত্রগা পেট্রোল তৈশিন্দুনা মখুল অদুদা থিংজিন্দুনা তীল অসি হাৎনবা তৌগনি।

• মখুল অদু কোন্না লৈখোম্না মেনশিনগনি।

বাইওলোজিকেল/বোটানিকেলস শীজিন্নদুনা তীলশিং লাকশিনবা

• Neem seed kernel extract (5%) শীজিন্নদুনা মহি চূপ্পা তীল মখলশিং (sucking pests) লাকশিনবা য়াই।

• *Verticillium lecani* অসি 0.5% চাংদা থাখায় খুদিংগী February-March, June-July, September-October মতমদা কাপথোকপীবনা শাথীবা তীলশিং লাকশিনবা ঙম্মী।



Mealy bug *(Pulvaria psidii)* (CABI. Digital Library)



Tea mosquito bug (*Helopelthis theivora*) (TNAU)

• May-June থা মতম অসিদা *Beauvaria bassiana @ 0.5 %* নৎত্রগা *Bacillus thuringiensis* @ 0.1% নুমিৎ ১৫নি কান্নরগা কাপথোকপীবনা মনা চাবা তীল অয়াম্বা লাকশিনবা ঙম্মী।

• পুঙহৈতোন হৌবা পাম্বী মখাদা *Beuavaria bassiana* @ 5kg/ha নৎত্রগা *Metarhizium anisopliae* @ 5 kg/ha চাংদা লৈবাক্তা হাপ্পীরবদি mealy bug অমদি ফ্লাইনচিংবা তীল তাবা হন্থহনবা ঙম্মী।

কেমিকেল শীজিন্নদুনা পায়খৎপা য়াবা পাম্বে খরা : রশায়নগী হীদাক শীজিন্নবা মতমদা অকোয়বগী খল অমদি ETI (Economic Threshold Level) য়েংলগা শীজিন্নবা তঙাইফদে।

• পাম্বীগী মউদা Bordeaux paste+2g/L Sevin December-January মতমদা তৈশিনবনা মউদা হুৎপা তীলশিং লাকশিনবা ঙম্মী।

• Fruit flies শিং লাকশিন্নবা চিনি অঙাংবা +fruit juice 20% + Malathion 2% য়ানশিন্দুনা শেল্লগা পরি অমদা অসুম্না শেল্লবদি bait (লাং) অসি ৪০ ফাওবা শীজিন্নবা য়াই।

• পুঙহৈতোনগী তীলশিংদা synthetic pyrethroids শিং শীজিন্নবীরোইদবনি।

অৱাং নোংপোক লমদমদা মায় পাক্লা পুঙহৈতোন থাবদা তীল তাবা হায়বা অসি য়াম্না চাউবা খুদোংচাদবা অমনি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌরাংশিং অসি পায়খৎতুনা মায় পাক্লা পুঙহৈতোন থাবা য়াই। অকোয়বগী খল কায়রকপা মরম্না শাথীবা তীল কয়া অমা থোরক্লি। মহৌশানা লৈজরম্বা তীলশিং অসিবু ফাদুনা চাবা তীল মখল কয়া অমা য়োকখৎতুনা অমদি রসায়নগী হীদাক কা হেন্না শীজিন্নদনা তীলশিং অসিবু লাকশিনবনা মরু ওইবা থৌদাং ওইগনি।●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।